হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, নবেম্বর ২৩, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ২৩৮শুবা মশীং

# থৌদারগতা তৌবা

## মসিবু করিনি হায়নবগে

মণিপুরগী মীয়াম্না অমসুং মীয়ামগী লৈঙাকসিনা হেক হেক লাইবক থীবা থৌদৌশিং থেংনৈ, হকথেংনদুনা লাকই। মসি হৌজিক লৈরিবা লৈঙাকসি খক্তগী ৱাফম নত্তে। মমাঙদা লৈখিবা লৈঙাকশিংগী মতমদসু তৌখি। হান্নদগীসু তৌদুনা লাকই। তশেংনমক ফীভমসিদি মমা শীজ লৈশারিঙৈদগী তৌরক্লবনি হায়বা ফাওবা য়ারবা ফীভমশিংনি। লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিং য়াওনা লৈঙাক্না মীয়ামগীদমক লিংলিবা লোয়শঙশিংগী থৌমীশিংনা মখোয়দা শিন্নবা থবক থৌরম, মখোয় মশানা খঙনা তৌফম থোকপশিং মমিংতা খুদোম্বীনা থিন্দুনা তাক্ত্রিবা ফাওবা তৌদে। খোঙ থিল্লগা লাউ খোংদুনা হায়দ্রিবা অমসুং থৌদাদ্রিবা ফাওবা তৌদে। তৌফম থোকপশিং হৈনীংনা হায়নরুবা, থৌদারুবা, তাকপী-তম্বীদ্রিবা ফাওবা তৌথোরক্তে। থৌওংসিবু য়াইতোং-খমদোংবা অঙম্বশিংনা মখোয়গী মথৌশিং শুপ্পাই পায়শিল্লগা অঙম্বশিং অদুগী খুবামুংদা চেৎনা পায়শিল্লগা মখূৎতু ফুরিংখাও মনুংদা হুমজিন্দুনা লৈবদগীরা নৎত্রগা লৈঙাক্কী মখাদা লিংলিবা লোয়শঙশিংগী থৌমীশিংসি মখোয়বু খন্দুনা শীন্নরিবা থবকশিংদা লম্বোইবদা শমজেৎ পীবগী থৌদৌ থোকপদগী ওইগদ্রা? নৎত্রগা মশানা পাঙথোকফম থোকপা থবকশিং ফাওবা য়েৎ-ওইদগী মরন্নাইগী ওইবা অহেনবা খুদোংচাবা ফংলোইদবা ওইরবদি তৌররোইদো হায়দুনা লৈথোকপনরা? নৎত্রগনা মখোয়গী খুর্জিপায়রিবা মকোক থোংবশিংগী অশোয়বদগী ওইগদৌরিব্রা, অচৌবা অশোয়বা অমদি লৈরে।

মসিমক্লা অথুৱান অবোনমাইগী পুন্সি কনবা ঙমহৌদে। লৈবাক ৱাথোক ওইখি। হোমগী থবকসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টর অমসুং মহাক্না লুচিংলকপা মকোক থোংবা ওফিসলশিং চরোং অমা লাক্তুনা নক্না লৈরবসু লৈখিদ্রবা মীওইসি নমদুনা ফারগা গাড়ীদা হাপ্তুনা পুখিবদা চগৌ য়েংদুনা লৈহৌই। হায়ফম থোকপা, খঙহনফম থোকপা মরী লৈনবা অমসুং মকোক থোংবা ওফিসলশিংদা মতম চানা পাউ পীখিদে। মরম অসিনা অথুৱান অবোনমাইবু ফাদুনা পুখ্রিবা লমহেনবশিংদুনা তমথীবা মওংদা হাংখি। থৌদোক্তু থোকখ্রবা মতুংদনা তমেংলোংগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর, পুলিসকী এস পি ট্রান্সফর তৌখি। তমেংলোং পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ য়াওনা পর্সনেল ময়াম সর্ভিসতগী সস্পেন্দ তৌখি। ভি দি এফ পর্সনেল অমনা সর্ভিসতগী লৌথোকখি। থবকসিদি হুরানবা মতুং মৈরিংবগী থৌদৌনি। অদুবু মশানা পাঙথোকফম থোকপা মথৌ মফম মতম চানা পাঙথোকখিদ্রিবা করিগীনো হায়বা ৱাহংসিদি হৌজিক থৌদোক্তুগী কেস নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) দা খূৎশিন্নখ্রবসু পাউখুম ফংদনা লৈরক্লি। ফরে, মসিমসু হৌখ্রসনু, অদুবু মণিপুরদা বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলিবা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা পীরকপা খুদোলনি হায়দুনা ষ্টেট লৈঙাক্না ঙাইহাক লৈতনা পাউথংনরিবা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম (আই এল পি এস) গী মতাংদা থোরক্লিবা থৌদোক অসিবু অচুম্বা, থোক্লককফম থোকপা থৌদোক্লা হায়বনি। সিষ্টমসি চৎনহল্লকপা চহী ১ ফাজিল্লকপগা ইরোয়ননা নবেম্বর ১৮, ২০২১দা জে সী আই এল পি এসনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা ড্রাইভ চত্থখি। আই এল পি পায়রগা মসিবু পায়বগী মতম হেন্দোরক্লবা অমসুং রিন্যু তৌরমদবা নন লোকল ৬২গী মথক্তা থেংনখি। ফাগৎলগা মরী লৈনরিবা পুলিসতা শিন্নখি। অদুগা জে সী আই এল পি এসনা খূৎমারক্লবা মতুং মথংগী নুমিৎ নবেম্বর ১৯, ২০২১দনা সিটি পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর-ইন-চার্জনা লুচিংদুনা ড্রাইভ চত্থরকখি। অফবা থবকনি, তৌফম থোকপনি, ফৈ তৌগদবনি। অদুবু জে সী আই এল পি এসনা হৌদোরক্লবা মতমদতা তৌবসিদি থৌদারগতা তৌবা, হায়রগতা তাবা, নিরগতা পীবগী থৌদৌ নত্তে হায়বা য়াগদৌরিব্রা? জে সী আই এল পি এসনা হৌদোরক্ত্রিঙৈদা হান্না তৌবদি য়াদব্রা? খ্বাইদগী নুংঙাইরিবনা ড্রাইভ চত্থবা নুমিৎতুদা জে সী আই এল পি এসকী কনভিনর বি কে মোইরাংচানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা মপান্দগী চঙলকপা মীওইশিংদা পীগদবা পর্মিট অনম্বশিং লোইথোকখ্রে হায়না দেপ্যুটি কম্মিস্নর অমনা ফোঙদোরক্লে হায়বা ৱাফম অদুনি। ৱাফমসিনা অচুম্বা ওইরগদি দেল্লীগী বি জে পি লৈঙাক্না আই এল পি চৎনহনবিরকপনি হায়দুনা মখৌ পোঙনা ৱাঙাঙ খুদিংগী লাওরিবসি গুরুং চৎত্রিবা হায়বনি। মনুংদা হোত্রোং হোরগা মপান্দা কুরাংবান খক্তং ফজহনবগী অরিবা হৈনবীদু লৈঙাক্লোইশিং অমসুং লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংগী থৌমীশিংনা মখা তানা তৌরনু। থৌদারগদা চৎপা, তৌবসিবু মীয়াম্না করিনি হায়নবগে?

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩০

১) ***“হুয়েল লানশোক লৈমাবী।।/পাম্বোম খূৎশু শিঙথাঙমদমবী।।//থাঙহাই নোংথাং পান্দম্নবী।।/শঙাইশেল তাহুল পাইগুম্বী।।/ঊনবী শৌশা মাঙহনবী।।/শমু মাঙদা খাঙঙমদবী।।/লানফম কুম্মৈ য়েংগনবী।।”*** পীরিবা পরেং খরসি কনাবু শৈথাবা মীংখৈনো?

২) **“চফূন কায়রবদি”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **“নীংশিংলি লেপ্তুনা তেংথারি যমুনা;/নিল্লি লাউখোংলি থুগায়রি অচীকপা।/মতমগী খজাইদা শিন্থরি পিরাং মা;;/ফোঙদোক্লি অৱাবা অতৎপা লৈতনা।।”** ময়াম্না পান্নবা ঈশৈ মতেকনি, শৈরেংবসি কনানো?

৪) ***“ওঁবাসুদেব-মহাকাব্য (মীতৈরোলগী মহাকাব্য)”*** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

৫) ***“মোহনদাস”*** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কাউনরুরবা বন্দ-ব্লোকেদ নৌনা শাফোংলকপা

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৮০**

**জিতেন নামৈরাকপম**



তরানিথোইশুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সন তৌগদবগী মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা রুলিং অমদি ওপোজিসন পার্টি অনীগী মরক্তা অমগা অমগা হুন্নদুনা ঙাওন-শক্লবগী চাং হেনগৎলক্লি। মখোয় মশেল অঙম্বা থাক্তা অমনা অমদা মরাল শীজিন্দুনা পংঙাঙদা ঙাঙনৈ। কোংগ্রেসকী মতমদা অদু তৌরম্মী, অদা তৌরম্মী, বি জে পিনা মখোয়গী মতৌ তমদুনা মমিং ওন্থোক্লগা তৌবা ঙাক্তনি, জোব কার্দকী ওইরো, নফসাগী চেঙ য়েনবগী ওইরো, পেন্সন পীবগী, নুপী অঙাংগী য়াইফনবগীদমক তৌরিবা থবকশিং, চাওখৎ থৌরাংগী থবক পূম্নমক মমিং ওন্থোক ওন্থোক্লগা তৌবা ঙাক্তনি অসিনি। বি জে পিগীসু পাউখুম ৱাক্তে। কোংগ্রেসনা মতম কুইনা লৈঙাক পায়দুনা মীয়াম্বু নমথদুনা থম্বদগী, মীয়াম্না ফংগদবা চাকথুং মখোয় মশেল শায়েন ঙায়েন্নদুনা লৈবদগী চাওখৎ থৌরাংদা থিন্থবনি। কোংগ্রেস লৈঙাক্না মীয়ামগী য়াইফনবা থবক করিসু তৌরমদে। বি জে পিগী অনৌবা লৈঙাক লাকপদগী মীয়ামদা হকথেংননা কান্নবা কয়া ফংহনবা ঙম্লে। কোংগ্রেস পার্টিদি মরূ ফংনা মুত্থৎকদবনি হায়বসিনি।

পূম্নমক অসি ওইদুনসু মখোয় মশেল হুন্নদুনা ঙাওনীং-ঙাওনীংবা ঙাওনজরগসু মীচম মীয়ামদি কনানা করি তৌরম্বা, করি তৌরিবা, করি ওইরকপা য়াবা হায়বসিদি অদুমক খঙনরবা ঙাক্তনি। অফবা লৈঙাক হায়বসিদি মীচম মীয়াম, লায়র-অনং, অৱা-অনা তারবশিংবু মতেং পাংবীবা, অৱাৎ-অপা লৈহন্দবা, তংদু লৈতানা শান্তি ওইনা লৈহনবা অদুবুনি। মসিগীসু মথক্তা মতমসিগী ওইবা মালেমগী চাওখৎ লমজেলদা শরুক য়াবা ঙম্বা মাঙজিল থাদুনা চেনখৎপা ঙম্বা অদুনি। লম্বী থোং ফহনবা, মৈ ঈশিং মরাং কায়হনবা, মহৈ মশীলগী লম্‌দা অনা লায়েংগী মরমদা, হীরম খুদিংমক্তা ৱাত্ত-পাদবা ওইহনবা ঙম্বা, পোত্তাঙ চৈতাঙ হন্থহনবা, অন-এমপ্লোয়মেন্টকী প্রোব্লেম লৈহন্দবা, মান্নবা খুন্নাই, মীওই পূম্নমক অমগা অমগা থাক মান্ননা হিংমিন্নবা অসিনচিংবা কয়া কয়ানি। অদুবু মীয়ামগী খ্বাইদগী য়েক্লবা ওইরবা করপসন মরূ ফংনা মুত্থৎপা ঙমদ্রগসু করপসনগী চাং হন্থহনবা ঙম্বদি লায়রদনা নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। অঙম অথৌশিংনা শেল চাদে, শেল চারোই, অচুম্বদা তৌগনি ৱাশক্লম্বা কয়া করপসন মপি ওনখিবা মক্তনি। শেঞ্জা-থুমজাগী থবকসিদি তূমিন্না তৌবা য়ারোই। মীয়াম্না হেক্তা খঙনরক্কনি। য়া য়া লাউনরক্কনি। মরম অসিননি টেন পর্সেন্টকী লৈঙাক, ফিফটিন পর্সেন্টদগী থর্টি পর্সেন্টকী লৈঙাক হায়নবসু য়াওরে। হৌজিক্কী লৈঙাক্কী এন্টি করপসন সেলসু মমিং তাখিদবা কুইরে। মহৈ মশীন মতিক চানা হৈরবশিং মখোয়গী তম্লুরিবা মহৈগা চান্নবা থবক ফংবগী ৱাদি লৈত্রে। য়াম্না নীংবা কায়নিংঙাইনি। চহী কয়া চঙনা, শেল অরৈবমখৈ থাদরগা মহৈ তম্লুরগা থবক ফংদবা হায়বা ৱাহৈসিনা ঙাইদুনা লৈরবনি। পোষ্ট অমা অনীখক হাঙলকপদা চঙগদৌরিবা মীওইদুসু লুপা লাখ লাখনা খুজিং ওইরগনি। নর্স লৌবগী, পুলিস কন্সটেবল/রাইফলমেন চঙবদা লুপা লাখ ৫/৬ লৌই, পী হায়নরম্বদু তরাগী মথক্তা লানখ্রে ঙাঙনৈ। খরা চাউবা পোষ্ট ওইরগনা লাখ য়াঙ্খ্রেগী মথক লানখ্রেসু হায়নৈ। মীয়াম্না ঙাঙনরিবসি খরদি চুম্লগনি। হীরম শোমদা য়েংলুরগদি মশানা মশাবু থবক পীজবা, স্কিল দিভেলপমেন্ট স্কিম প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎলক্লিবসিদা হোৎনহৌবা নত্তনা পাম্বৈ লৈররোই। মশাগী শিনফমগা চান্নবা শেন্থোক লম্বী থিহৌবা নৎত্রগদি তংদু লৈতানা হিংবা ঙম্বগী ৱা লৈতে। মোদি লৈঙাক লাক্লবা হোৎনবদা মীওই কোটি কোটি থবক পীগনি হায়রম্বা ইন টর্ম ওফ লাখ লোমদা ঙসিসু থবক পীবা ঙমদ্রি। পীবদি লায়রদনা থবক লৌথোকখিবগী পাউ ওইনা তাবা ফংলে। কয়াদা লাইবক থীরবনো।

অনৌবা লৈঙাক হায়বসিমক্তবু অপেন পেন্দদি খরা অদুমক লৈবা তাবনি। অনা লায়েংগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরগী লুপা লাখ মঙাগী মতেং ফত্তে হায়বদি য়ারোই। চেঙ কেজিদা লুপা ৩দা মীওই কোটি কয়াদা ফংহনবা থথাগী থবক নত্তে। কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন শেল তিংহন্দনা লেম্না কাপথোকপীবা হায়বসিসু লৈঙাক্তা শেল চবুন চবুন পুথরিবনি। অসিদসু নত্তনা মীয়ামদা মতেং পীবগী থৌরম কয়াসু লৈরিবনি। মতাং অসিদদি ময়োল লৈঙাকপু মীয়াম্না থাগৎনদবা নত্তে। অদুবু খ্বাইদগী পেন্নদবদি পেত্রোল, দিজল, গ্যাসকী মমল খংৱাং ৱাংখৎখিবা অসিনা মরম ওইরগা নুংতিগী শীজিন্নরিবা পোৎকী মমল খুদিংমক খংতাঙ তাঙখৎখিবগী মতাংদদি মীয়াম পূম্নমক্লা পেন্নদ্রি। পেত্রোলগী মমল, দিজলগী মমল খরা হন্থজখ্রবসু ট্রান্সপোর্টেসন চার্জদি হন্থবা লৈতে। খুদম ওইনা নুংতিগী চেল্লিবা ওটোরিক্সো, টাটা মেজিক্কী অতোংমল লুপা ১০ লৌরম্বনা ২০, কুন লৌরম্বনা নিফু/য়াঙ্খোদা হেনগৎখ্রে। থাওগী মমল হন্থখ্রবসু গাড়ী অতোংমলদি হন্থদ্রি। কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভকী চৈফু য়াম্না হন্থখ্রবসু মহাক্না মীপূম খুদিংমক্তা পীরম্বা চৈনাদি ঙসিসু হন্থদ্রি। মদুগী মনীল লৈরি। অৱা পোৎলুম ওইনা পুদুনা চৎনরি। কৈদৌঙৈ লোইগনি হায়বা ঙমদবা লায়নাগী মহীক্লা ঐখোয়গী ইরক্তা নৈশিন্দুনা লৈরি।

মীয়াম পূম্নমক্লা কোভিদগী অৱা পোৎলুমদগী খজিক্তং শ্বর হোন্দোক্লবদা ঙাইরিঙৈ মতম অসিদা চীংদা বেজ তৌবা মহৈলূপ খরা পূনশিন্নদুনা বন্দ তৌবা হৌখ্রে। শটদাউন হায়গেরা মীয়ামগী ওইবা নুংতিগী পুন্সি মহীংদা অকায়বা পীবা হৌখ্রে। ইকনমিক ব্লোকেদসু তৌরগনি লাউথোকখ্রে। মসিসু খ্বাইদগী ঙক্লবশিংগী মনুংদা খংঙক ঙকপা অমনি। হৌজিকপু মালেমগী করম্বা লমদা বন্দ ব্লোকেদ তৌনরিবগে? বন্দ তৌববু চৎনরিব্রা? বন্দ ব্লোকেদ তৌবা পাল্লিবা মীওইশিংগী ৱাখল অদুবু চাওখৎলিবা জাৎলা নৎত্রগা চাওখৎত্রিবা জাৎলা। চহী অনীরোম মহৈ তম্বা ফংলক্ত্রবা মহৈরোয়শিং স্কুল কোলেজ চৎপা হৌরকপদা ঙাইরি। কুইনা থিংলুরবা কৈথেল, ইন্সটিট্যুট, মীয়াম পূম্নমক এস ও পি ঙাক্লা চৎপীয়ু হায়না হাংদোরকপা কুইদ্রি। অদুবু মহৈরোয় লূপ খুজোক অমনা পূনশিল্লগা নেসনল হায়ৱে থিংজিন্দুনা মীয়াম পূম্নমক ৱাহনগনি লাউথোরকপা লাইবক থীবনি। বি জে পিগী লৈঙাক হেক লাকপদগী নুমিৎ ১৩৯নি চূপ্পা য়ু এন সীনা তৌরম্বা ইকনমিক ব্লোকেদ মীয়ামগী অৱাবা য়েংলগা অমদি য়ানবা অমগী মখাদা হন্দোকখিবা মতুংদগী বন্দগী ৱারীসি চজিক ওনখ্রবনি। মীয়াম্নসু কাউনখ্রবনি। অদুবু হিল এরিয়াজ কম্মিটিনা লানখৎলকপা মণিপুর অনী থোক্লা থুগায়বা য়ারবা বিল পুথোক্কদবনি হায়বগী নীংঙাইদা বন্দ ব্লোকেদ হেক্তা তৌশিল্লকপা অসি চীংগী মফমদা খুন্দাবা ফুরুপ খুদিংমক্লা য়াবসু নত্তে। মীওই খরনা ইনশিল্লগা ঈরাং শাগৎপগী মমিসু তারি। নেসনল হায়ৱে থিংবা হায়বসি ভেল্লিদা খুন্দারিবা মীয়ামদা অতম্নুনা ৱাহনগে হায়বগী থৌদৌনি হায়বসি মীয়াম পূম্নমক্লা খঙনরবনি। অদুবু ৱামিন্নগদৌরিবসি চীংগী মনুং হুৎনা লৈবশিংদসু পূন্না ৱামিন্নগনি হায়বসি খন্থহন্নীংই। পুবা থাংবা ঙম্লোইদবা নিংঙাইদা বন্দ ব্লোকেদ তৌনরগুমসি। লৈঙাক্লা য়ানবা পুরক্লবা হোৎনবা ফগনি। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৪৫

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

অসুম্না লান্না লমজিংখিবশিংসু লেম্না তোকপা য়ারোই। মদুগী তেকচাক মীরম হিন্দু লাইনীংগী অচৌবা ৱাখল্লোন অমদি নমথনিংবগী ৱাখলনা মাঙওইনদুনা লমজিং লমতাকপশিংসু শোয়দনা ফংগদৌরিবনি।

নাকল অমরোমদা, মনীং মখা তম্না লমদমসিগী মৈদিংঙু/নিংথৌ/মহারাজ ওইনা পাল্লিঙৈদা মীরমগী লাইনীং মচিৎ মচিৎ ওইনা চঙলকখ্রবা মতুংদা হান্না লমদমসিগী মমিং ‘ক্বাক তানবা হায়দনা লৈজরম্বসি মীরমগী ৱাহায় যাত্রা হায়বসি হাপচিল্লগা মখোয়গী ওইবা কুম্মৈ ওইহন্নবা হোৎনবদা মরিং মরাংবা থৌওংশিং - রাবন কাপ্পা-বিজয়া দশমী; ক্বাক তান্থোকই হায়দুনা ক্বাক যাত্রা, কুম্মৈগী মওংসু চপ মান্নবদা - ক্বাক/উচেক পাইহনবদা মখোয়না পাইখিবা মায়কৈগী পাউ নিংথৌদা/মৈদিংঙুদা হঙ্গৎপা/তম্বা হায়বদুদা মীদা পাউ তম্বগী পাউ তম্বদি পাউ ফাওনবা য়াবসি মী নত্তবা মমিংতগী ওইনা লৈবা পোৎশক অমদা পাউ তম্বদা কান্নবা ওইদবদুদগী পাউ তম্নবা নিংথৌ/মৈদিংঙু মীরমগী কুম্মৈ ওইগে হায়না থৌরাংদুনা চহী কুমজা কয়া নমশিন্দুনা/ফোঙদোক্তুনা লাকপসি মতমগী খোঙলৈ তুংইন্না-যাত্রা মাঙহনখ্রগা মশাগী কৌফম থোকপা কুম্মৈগী মমিং ক্বাক তানবা হায়না হন্দক্তগী ওল্লকপসি শিল্লি লাংলিবশিংগীসু অচুম্বা অফবা মায়কৈদা চৎপা হৌরবনি হায়বসিনি।”

লমদমসিগী মমিং মণিপুর হায়না পামহৈবা নিংথৌগী সনা হাক্তক্তগী কৌরকপনা হৌজিক ফাওবা কৌরিবা চীংলৈবাকসিদা মীশিং য়ামদ্রবসু লৈঙাক্লা মশক খঙবা ফুরুপ ৩৩ রোম লৈবনা অহিংবা অপূনবা খুন্নাই অমা ওইরি। চীংদা লৈবা খুনশিংগীনা খুল্লাকপা/নিংথৌ হায়দনা থায়নদগী অদুম লৈরক্লি। মখোয়শিংগীসু য়েক অদুম লৈজৈ। তম্পাক্কীদা য়েক ৭কী ফুরুপশিংনা খুন্তাদুনা লৈরকই। য়েক খুদিংগী মকোক অমমমবু পিবাহায়না খঙনরকই। য়েক ৭সিগী অসুপ্পা পিবা অদুবু পিবারেল নৎত্রগা নিংথৌ হায়না খঙনরি। মৈতিংঙু/মৈদিংঙু হায়বসিনা খৃষ্টগী ৩৩শুবা কুমজাদা পানখিবা মৈতিংঙু নোংদা লাইরেন পাখঙবদগী হৌনা কৌদুনা লাকপদা, মসিনা লেংদনা লৈরগা মহারাজনচিংবা কয়ানা মীরম হিন্দু লাইনীং চঙলক্লবা মতুংদগী কৌনরকখিবনি। অমবু ওইরবসু মনীং মখা তম্বা নিংথৌ ওইনা পাল্লিঙৈ মতমদসু নিংথৌনা লৈবাক মীয়ামগী মপি মপানি। অদুবু অপূনবা ইন্দিয়া অমা শাগৎলক্লবা হোৎনবদা অপিক অপিকপা নিংথৌ পাল্লম্বা লৈবাক কয়া অমগী মনীং তমজরম্বা মাঙখিবনি হায়বসি অমুক নৌহৌনা হায়রুবগী থোইনা কান্নদ্রে হায়না তেনশিঞ্জরে।

ৱাহৌদোক ওইনা খজিক্তং পল্লম্বগী ৱাফমদি - মীশিং য়ামজদ্রগসু অহিংবা খুন্নাই অমা ওইনা ইশাগী লাইনীং লাইশোনগী চৎনলোনচৎ, লোল, লোলগা শাগোন্নবা ইপা ময়েক (য়েৎনবা খরা লৈরি হায়না লৌরবসু) খুন্নাই লোন, য়ুম্বাল্লোন, খ্বাইদগী মরু ওইবদা য়েক ৭কী অপোকপা-অপোকপীগী খুভমশিং লৈনরিবমক্তনি। অদুননি অহিংবা খুন্নাই অমা ওইনা হিংলি, মীশিংদি য়ামজদ্রবসু হায়না মথক্তা হায়খিবদা। খুন্নাইসিগী ওইনদি ত্রেদিসনেল কষ্টমগী মকোক্তি পিবারেল/নিংথৌ ওইবনা, হৌজিক্কী ওইনদি ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা মীতৈ/মৈতৈ খুন্নাইগী মকোকনি। মহাক্কী নিংথৌ অমা ওইবগী থাদোকপা য়াদ্রবা। তঙাইফদবা কয়াগী মনুংদা মেরা থাগীদা পাঙথোকপা থৌরমশিং - মেরা চাউরেল হৌবা, মেরা মেন তোংবা, মেরা হৌচোংবা/মেরা শন্তুবা, মেরা থাউমৈ থানবা, ক্বাক তানবগী থৌরম শল্লপ্পা পনবা য়াই। লৈবাক অমদা অশেঙবা নিংথৌ অনী লৈবা য়াদে হায়বসু লোইনা খঙনৈ। লৈবাক অমগী নিংথৌদি পারি পুরি হায়বদি পাথাং কোক পুথাং কোক্তগী ইবুধৌ পাখঙবগী কংলৈ ফম্বালচাশিং ওইবা য়াবশিংগী মরক্তগী চৎন লোনচৎকী মতুংইন্না ইরমদমগী নিংথৌ ওইফম থোকই হায়বদুনা নিংথৌ ওইগদবনি। অদুবু মাংলমচৎকী থৌদোক খরদা ফম্বাল লান থোক্তুনা নিংথৌ খুভম মুন্নবগী মতমদু ২১শুবা চহীচাসিগী ওইনদি লৈত্রি হায়না লৌখিনি।

নিংথৌনা লৈবাক্কী অমদি নাৎ, লাইনীং লাইশোনগী মকোক ওইবনিনা, মরী লৈনবা হীরম খুদিংদা নিংথৌগী মশিলনি হায়না লৌনদুনা লাকই। চহীগী ওইনা পাঙথোকপা থৌরমশিংদা নিংথৌ য়াওদনা/নিংথৌনা অয়াবা পীবা মহুৎ নত্তনা অতৈনা মহুৎ শিনবা য়াদে। মসিসু নিংথৌ মশানা হিংলিঙৈগী মতমগী ৱানি। খুদম, নিংথৌ ফম্বাল অমা শিনবা মতমদা অকোনবগী ফম্বাল তোংবদুনা হান্না মাগী মমাঙদা ফম্বাল তোংখিবা নিংথৌশিংনা তৌরম্বদু অপাম পামদগী মতুংইন্না খরা হোংদোক হোংজিন/মুত্থৎপা/হাপচিনবা (শেমগৎপা) অদুম তৌনৈ হায়বসি পুৱারীনা লেঙদ্রবা খুদমনি। অপান্নবা খুদম পীজররোই। অদোম্না য়েংবীনীংবা/নৈনবিনীংবা খরা হেক্তা লৌখৎলগা য়েংবীয়ু।

লৈবাক অমদা পিবাফম ওইবা নিংথৌনা কষ্টম অমদি লাইনীং লাইশোনগী মকোক ওইবদা লৈবাক মশাদুগী মীরেপ মীখল তৌরগা খনবা মীচম মীয়ামগী মীহুৎকী মকোক ওইবশিং খুদম ওইনা প্রসিদেন্টনা লৈবাক্তুগী কন্সটিট্যুসন (চৎন-কাঙলোনগী য়াংলেন শরূ) গী মকোক ওইবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক্তুগী মীখলদা কারকপশিংনা শেম্বা লৈঙাক্কী মকোকনি। অসুম হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ষ্টেট অমগী মীখলদা কারকপশিংনা শেম্বা ষ্টেট লৈঙাক্কী মকোকনি। মখোয় লোইনমক পিবা ফম অমত্তা নত্তে। মথৌ তারকপগী মতুংইন্না হোংদোক হোংজিন/অকা-অকুম নাইগনি। মখোয়না লৈবাক্তুগী নাৎ অমদি লাইনীং লাইশোন্দা খূৎ থিংজিনবা য়াদে। মরম অসিনা নিংথৌ অমদি মীখলদা কারকপশিংগী মকোক মখোয় মশেল অমনা অমগী মহুৎ শিনবা য়াদে। মফম, মতম অমদি থৌরমগী মতুংইন্না অমনা অমগী ইকায়খুম্নবা পীনগনি।

মথক্কী ৱাফম খরসিদগী ঐখোয়না খঙলে মদুদি মীওইবা মশেলশিংগী ওইবা মকোকশিংনা অমগী মহুৎ অমনা শিনবা য়াদবসি লাইনীং লাইশোন অমগী লাই মখল অমনা মীগী হায়বদি মশাগী নাৎ অমদি লাইনীং লাইশোন অমগী মহুৎ শিনবা য়াফম থোকপ্রা? লাইদুনা লৈবাক্তুমক্কী লৈঙাক্কী মকোক ওইরিবদুগী মহুৎ শিনবা ঙম্ব্রা? লাই ওইরিবশিংদি লাইনীং লাইশোন খুদিংমকপু ইকায়খুম্নবা ঙম্বা মীওইশিংনা খুরুমজগদবনি। করিগুম্বা মরম খরদা অফবা ওইহনবীনবা থাজবা অমগী মখাদা খুরুমজদুনা থৌনিজবদি অদুম তৌনৈ। মদুদা লাইদুনা থৌজাল ললকুবীবা হায়বসি লাইনি হায়রিবা মাগী মথৌনি। লাই (ওইনীংবা মখল) না মীনা ওইবা নিংথৌ, মীনা ওইবা লৈঙাকপশিংগী মহুৎনি হায়না লৌবা/য়াফম থোক্তে। পাবিরিবা মীয়াম্নবু য়াবিনীংব্রা? অইবনা থমজরিবা ৱাফমসিবু লাল্লি হায়না খনবিব্রা? মখা তানা লাইগা, মীগা ওইরগা মকোক ওইবশিংগী মমাঙদা তৌগদবশিং মান্নদে হায়বসি চুমফম থোক্লোইদ্রা। খুদম, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিজী অমদি ষ্টেটসিগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী মমাঙদা তারিবা ৱাফমশিংদি - ইন্দিয়া অপূনবসি করম্না চাওখৎহনসিগে হায়বগী ৱাখলনা মাঙ থারগা থবক তৌগনি। মদুদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী ফীভমশিংগী মরমদা থল্লকপা ৱারোলশিং/ৱাকৎশিং তাগনি অদুগা চানবা থবকশিং পায়-খৎনবা হোৎনবনা মোদিজীগী মপূং ওইবা মথৌ ওইগনি। অসুম হায়না ষ্টেটসিগী চীং-তম, ইম্ফাল অমসুং খরা থাপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংগী অৱাৎ-অপা য়েংশিন্দুনা খঙদোক্লগা শোত্থবা ফীভমমশিং ফগৎহন্নবা থবকশিং/মরমশিংদা পূক্নিং চঙগনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।